# অফঘানদা এয়র ষ্ট্রাইক চথ্খদুনা টালিবান ফাইটর ২০০ হেন্না হাৎখ্রে : দিফেন্স মিনিষ্টর

কাবুল, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানগী মনুং চনবা সেবরগান সিটিদা লৈবা টালিবান ফাইটরশিংগী লোৎফম অমদা এয়রফোর্সশিংনা টার্গেট তৌরগা চথ্খিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা টালিবান ফাইটর ২০০গী মথক্তা হাৎখ্রে হায়না অফঘান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিং ফোঙদোরক্লি।



দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল ফাৱদ অমননা ফোঙদোকখিবদা, জোজান প্রোভিন্সকী মনুং চন্না লৈবা সেবরগান সিটিদা মশিং য়াম্লবা টালিবান ফাইটরশিং অফবা মখলগী খুৎলায়শিং পায়দুনা লৈরে হায়বগী অকক্নবা পাউ অমা ফংলবা মতুং য়ু এস এয়রফোর্সকী মতেংগা লোয়নননা মখোয়না লৈরিবা মফমশিং অদুদা টার্গেট তৌরগা এয়র ষ্ট্রাইক অদু চথ্খিবনি। এয়র ষ্ট্রাইক অদুদা টালিবান লালহৌবা ২০০গী মথক্তা শিহনখিবগা লোয়নননা মখোয়না শীজিন্নরম্বা গাড়ি ১০০ হেন্না অমদি খুৎশু-খুৎলায় কয়াসু অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। এটেক অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপা মতমদা য়ু এস এয়রফোর্সকী বি-৫২ বোম্বর অমনা চথ্খিবনি।

এটেক অদুদা টালিবান লালহৌবা কয়াসু অশোক-অপন নংহনখি হায়না ফাৱদনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা এয়র ষ্ট্রাইক চথ্রিদ্রিঙৈগী মাঙওইননা গজনি প্রোভিন্সিএল সেন্টরদগী পাকিষ্টানি লালহৌবা অমসু ফাবা ঙমখ্রে। হায়রিবা পাকিষ্টানদগী লালহৌবা অসি অফঘানদা চথবা টেররিষ্টকী ওইবা থবক থৌওং কয়াদা চেন্নবতা নত্তনা মরাল লৈজদবা মীওইশিং হাৎপগীদমক ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা অমনি হায়রি।

অমরোমদা, লৈবাক অদুদা চলাইবা টি ও এল ও মীদিয়া রিপোর্টকী মতুংইন্না জোজান প্রোভিন্সতা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি টালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা চয়োল অমরোম হেন্না খুৎ থোক্নখ্রবা মতুং প্রোভিন্স অদু টালিবান লালহৌবশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখ্রে। হৌখিবা ইরায় নুমিৎতসু টালিবান ফাইটরশিংনা নিমরোজ প্রোভিন্সকী কেপিটেলসু মপুঙ ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখ্রে হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়াদা অকনবা নোংনা ঈচাউ থোকহনবদগী য়ূম লিশিং হেন্না অমাঙ-অতা থোকখ্রে

সিওল, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোর্থ কোরিয়াদা অকনবা নোং লেপ্তুনা চুখিবনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মফম খরদা ঈশিং ঈচাউ থোকহনখিবগা লোয়নননা য়ূম লিশিং অমরোম হেন্না অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে হায়না ষ্টেট মীদিয়া রিপোর্টনা ফোঙদোরক্লি।



রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ঈচাউ অদুনা য়ূম কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়নননা থূমজিনখিবদগী মীওই লিশিং মঙারোম লৈফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নরি। লৈবাক অদুগী মরু ওইবা লম্বী কয়াসু ঈচাউনা মরম ওইরগা চথোক চৎশিন তৌবা য়াখিদবদগী ঈচাউনা অৱাবা নংহল্লবা মীওইশিং রেস্ক্যু তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। য়ূম কয়া থূমজিনখিবা অমদি অমাঙ-অতা থোকহনখিবদা নত্তনা মহৈ মরোং থাবা লৌফম কয়াসু মপুঙ ফানা মাঙহনখিবদগী মীওই কয়া অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হায়বদু ওইরে।

হৌখিবা জুন থাদগী হৌরগা নোর্থ কোরিয়াদা চানবা মরূ-মরাঙশিং মরাঙ কায়না ফংলক্তবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরিঙৈ মরক অসিদা ঈচাউনা লৌফম কয়া মাঙহনখিবা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী ওইরক্কদবা ফিভম তম্বা ঙমদ্রি। মমাঙ থাদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ফুদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোকখিবদা, চহী অসিগী ওইনা নোর্থ কোরিয়াদা চানবা চীঞ্জাক য়ামদ্রবদা টোন ৮,৬০,০০০ ৱাৎকনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

নোর্থ কোরিয়াদা থোকখিবা ঈচাউ অসিগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ফুদ এন্দ এগ্রিকলচরেল ওর্গনাইজেসননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঈচাউ অদুনা মরম ওইরগা মহৈ-মরোং থানরিবা লম হেক্টর চা কয়া ঈশিংনা থূমজিনখ্রে। নোর্থ কোরিয়াগী সাউথ হাময়োং প্রোভিন্সতা ঈচাউ অসিনা মরম ওইরগা মরুওইবা থোং কয়া তেকহনখ্রে। ওইরিবা ফিভম অসিদা য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিং অমদি ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসননা মতম চানা মীৎয়েং চঙহৌদ্রবদি লাক্কদৌরিবা চহী খরা অসিদা নোর্থ কোরিয়াদা চাবা ফংদবগী অচৌবা চৈথেং অমা ফংলগনি হায়রি।

অমরোমদা, নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং অননা ঈচাউনা চৈথেং পীখ্রবা প্রোভিন্সশিংদা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং খুদক্কী ওইনা পায়খৎনবা মহাক্কী ওফিসলশিংদা খঙহনখিবগা লোয়নননা মখা তানা ঈচাউ থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা সাউথ হাময়োং প্রোভিন্সতা লৈরিবা মীয়াম্না শাফগদবা মফমশিংদা মতম খরগী ওইনা লৈনবা খঙহল্লক্লি।

নোর্থ মেটিওরোলোজিকেল এজেন্সীগী রিপোর্ট মতুং ইন্নদি নোর্থ কোরিয়াদা থা অসিগী ১০ ফাওবা অকনবা নোং চুরবা য়ানা লৈ হায়রি।

# ওষ্ট্রেলিয়াদা কোভিদকী দেল্টা ভেরিয়ন্ট কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্নরে

মেলবোর্ন, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :
ওষ্ট্রেলিয়াগী মমিং য়াম্না লৈরবা সিটি অহুম ন্যু সাউথ ৱেল্‌স, ভিক্টোরিয়া অমসুং ক্বিন্সলেন্দদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়ন্ট দেল্টাগী কেস ২৮২ থেংনখিবা অদুনা মরম ওইরগা সিটিশিং অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা ওইহল্লক্লি। অমরোমদা, ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না লৈবাক অসিনা ভেরিয়ন্ট কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে হায়রি।

ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী প্রেমিয়র গ্লেদিস বেরেজিকলিয়ননা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মপুঙ ফানা লাকশীনবা ঙমদ্রিবা অসি মীয়াম্না লায়না লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চত্তবননি। ওষ্ট্রেলিয়াদা দেল্টা ভেরিয়ন্ট থেংনবা হৌরকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী মরুওইবা সিটি খরা লোকদাউন থমজিনখ্রবনি। অদুমওইনমক, মীয়াম্না লোকদাউন থমজিনবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা অমদি লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্টনা কোভিদকা মরী লৈননা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং পায়খৎতবদগী ফিভম অসি য়ৌরকপনি হায়না মরাল শীরি। লোয়নননা চৎন-কাঙলোনশিং থুগাইদুনা মীয়াম পূল্লকপদগী ফিভম অসি য়ৌরকখিবনি। মীয়াম্নসু ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা লৈঙাক্না শেমখিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবা আপীল তৌরক্লি।

# মীওই ৮ থিবা ফংদনা লৈরি

লোস এঞ্জেলিস, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :
কালিফোর্নিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা খঙহৌদনা অকনবা মওংদা চাক্লকখিবা লম্মৈনা মরম ওইরগা মফমদুদা লৈবা অপীকপা টাউন অনীদা অমাঙ-অতা খরা থোকহনখিবগা লোয়নননা মীওই ৮ থিবা ফংদনা লৈরি হায়না য়ু এস ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্‌সকী মফম খরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লম্মৈ চাকপগী থৌওংশিং থোক্তুনা লাক্লি। কালিফোর্নিয়াগী পুৱারীদা হৌজিক চাক্লিবা লম্মৈ অসিনা অহুমশুবা খ্বাইদগী চাউবা ওইরে। হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা লম্মৈ অসিনা মরম ওইরগা লম একর ৪,৪৬,৭২৩ অমাঙ-অতা থোকহনখি। অদুগা ইরায় নুমিৎতনা ৪,৩৪,৮১৩ লম্মৈ অসিনা মাঙহনখি।

ফায়র ফাইটরশিংনা অকনবা মওংদা লম্মৈ অসি কন্ট্রোল তৌনবা হোৎরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ঙমদ্রি। ফায়র ফাইটর সেক্সনগী চীফ জেক কেগলনা ফোঙদোকখিবদা, লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা মৈ অসি মুথৎপা ঙম্নবা ফায়র ফাইটরশিংনা হোৎনরি।

# কোভিদ হেল্থ পাসকী মায়োক্তা ফ্রান্সতা মীওই লিশিং কয়ানা খোঙজং চঙশিনখ্রে

পেরিস, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :
ফ্রান্সতা লৈবা কেফেশিং অমদি ইন্টরসিটি প্লেনশিং তোংদুনা থবক চৎপা মতমদা লৈঙাক্না পীবা কোভিদ হেল্থ পাস পায়গদবনি হায়বা ৱাফম অদুবু মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা লৈঙাক্কী ফিরেপ অদুগী মায়োক্তা ঙসি ফ্রান্সকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীওই লিশিং কয়া থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে হায়রি।

মমাঙ চয়োলদা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোনগী লৈঙাক্না লৈবাক অদুদা লৈবা মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌবা মতমদা কোভিদ নেগেটিভ ওই হায়বগী চে নৎত্রগনা কোভিদ ভেক্সিন দোজ মপুঙ ফানা কাপথোক্লে হায়বগী শকখঙ-চে পায়গদবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। মহাক্কী ৱারেপ অদুবু মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্নখিবগা লোয়নননা মমাঙ চয়োলদগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা হান্নদগী হৌনা খোঙজেল তপ্না লাক্লিবা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থৌরমশিংদসু চাউনা অকায়বা পীরি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরক্তা মীয়াম্না লম্বীদা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবগী থৌওং অদুবু লৈবাক অদুগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা পেন্দবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা মীয়াম্না ৱাখল খন্থদবা মানবা মওংদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিং অসিনা মরম ওইরগা কোভিদ লায়না লাইচৎ হেন্না শাংদোকহল্লক্নবগী মরম ওইরকপা য়াই হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 203,174,401 | +240,234 | 4,304,114 | +5,322 | 182,532,275 | 16,338,012 |
| 1 | USA | 36,518,948 | | 632,987 | | 29,851,803 | 6,034,158 |
| 2 | **India** | **31,934,455** | **+902** | **427,892** | | **31,099,771** | **406,792** |
| 3 | Brazil | 20,151,779 | | 563,082 | | 18,894,631 | 694,066 |
| 4 | Russia | 6,447,750 | +22,866 | 164,881 | +787 | 5,755,507 | 527,362 |
| 5 | France | 6,284,708 | | 112,190 | | *5,755,540* | 416,978 |
| 6 | UK | 6,042,252 | | 130,281 | | 4,622,268 | 1,289,703 |
| 7 | Turkey | 5,895,841 | | 52,088 | | 5,498,520 | 345,233 |
| 8 | Argentina | 5,012,754 | | 107,302 | | 4,658,028 | 247,424 |
| 9 | Colombia | 4,834,634 | | 122,277 | | 4,643,087 | 69,270 |
| 10 | Spain | 4,588,132 | | 82,006 | | 3,784,544 | 721,582 |
| 11 | Italy | 4,390,684 | | 128,209 | | 4,153,940 | 108,535 |
| 12 | Iran | 4,158,729 | +39,619 | 94,015 | +542 | 3,539,035 | 525,679 |
| 13 | Germany | 3,795,590 | | 92,277 | | 3,665,400 | 37,913 |
| 14 | Indonesia | 3,666,031 | +26,415 | 107,096 | +1,498 | 3,084,702 | 474,233 |
| 15 | Mexico | 2,964,244 | +20,018 | 244,248 | +515 | 2,312,326 | 407,670 |
| 16 | Poland | 2,884,098 | +122 | 75,285 | | 2,654,483 | 154,330 |
| 17 | South Africa | 2,523,488 | | 74,623 | | 2,290,321 | 158,544 |
| 18 | Ukraine | 2,259,151 | +619 | 53,095 | +10 | 2,190,921 | 15,135 |
| 19 | Peru | 2,124,128 | | 196,873 | | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,883,513 | | 17,867 | | *1,684,044* | 181,602 |
| 21 | Iraq | 1,712,709 | +8,346 | 19,203 | +57 | 1,529,053 | 164,453 |
| 22 | Czechia | 1,674,906 | +152 | 30,363 | | 1,642,165 | 2,378 |
| 23 | Philippines | 1,658,916 | +9,671 | 29,122 | +287 | 1,552,278 | 77,516 |
| 24 | Chile | 1,622,509 | | 35,951 | | 1,577,982 | 8,576 |
| 25 | Canada | 1,438,219 | | 26,663 | | 1,401,482 | 10,074 |
| 26 | Bangladesh | 1,353,695 | +10,299 | 22,652 | +241 | 1,205,447 | 125,596 |
| 27 | Malaysia | 1,262,540 | +18,688 | 10,749 | +360 | 1,026,398 | 225,393 |
| 28 | Belgium | 1,136,726 | | 25,268 | | 1,063,847 | 47,611 |
| 29 | Sweden | 1,104,538 | | 14,620 | | *1,078,132* | 11,786 |
| 30 | Romania | 1,084,919 | +208 | 34,316 | +3 | 1,048,548 | 2,055 |
| 31 | Pakistan | 1,067,580 | +4,455 | 23,865 | +68 | 961,639 | 82,076 |
| 32 | Japan | 1,016,781 | +15,753 | 15,273 | +18 | 881,608 | 119,900 |
| 33 | Portugal | 984,985 | | 17,457 | | 923,510 | 44,018 |
| 34 | Israel | 898,433 | +1,107 | 6,535 | | 859,598 | 32,300 |
| 35 | Hungary | 809,855 | | 30,033 | | 752,709 | 27,113 |
| 36 | Jordan | 776,178 | | 10,116 | | 753,806 | 12,256 |
| 37 | Thailand | 756,505 | +19,983 | 6,204 | +138 | 535,515 | 214,786 |
| 38 | Serbia | 725,702 | +457 | 7,139 | +4 | 711,871 | 6,692 |
| 39 | Switzerland | 723,968 | | 10,909 | | 693,449 | 19,610 |
| 40 | Nepal | 714,877 | +2,137 | 10,093 | +55 | 669,299 | 35,485 |
| 41 | UAE | 692,964 | +1,410 | 1,975 | +4 | 669,953 | 21,036 |
| 42 | Morocco | 687,292 | | 10,255 | | 605,431 | 71,606 |
| 43 | Austria | 663,082 | +553 | 10,750 | | 646,143 | 6,189 |
| 44 | Kazakhstan | 634,214 | +7,802 | 6,764 | +105 | 520,102 | 107,348 |
| 45 | Tunisia | 610,660 | +2,546 | 20,931 | +122 | 542,210 | 47,519 |
| 46 | Lebanon | 570,098 | | 7,938 | | 538,828 | 23,332 |
| 47 | Saudi Arabia | 533,516 | +731 | 8,334 | +14 | 514,982 | 10,200 |
| 48 | Greece | 512,342 | | 13,031 | | 465,531 | 33,780 |
| 49 | Ecuador | 491,185 | | 31,774 | | 443,880 | 15,531 |
| 50 | Bolivia | 477,262 | | 17,959 | | 413,821 | 45,482 |

# পুলিসকী থবক্তা মতেং পাংলি

সংহাই, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :
চাইনিজ ঈ-কম্মর্স জাইন্ট অলিবাবানা ফোঙদোরকখিবদা, মসিগী মখাদা লৈবা কম্পনি অমগী ইমপ্লোয়ি অমনা কম্পনি অদুগী মেনেজরগী মথক্তা সেক্সুএল এসোল্টকা মরী লৈননা কেস অমা পুলিসতা রেজিষ্টর তৌরকখ্রবা মতুং পুলিসনা চথুরকপা থবক থৌরমশিংদা অলিবাবানা মপুঙ ফানা মতেং পীরি।

ভিক্টিম নুপী অদুনা থবক তৌরিবা কম্পনি অদুগী ষ্টাফশিং হৌজিকমক্কী ওইনদি সস্পেন্দ তৌদুনা থমখ্রে। সস্পেন্দ তৌরিবা অসি মতম খরখক্কীনি। পুলিসনা চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসনদা মপুঙ ফাহন্নবগীদমক ষ্টাফশিং মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখিবনি। থৌদোকসিদা চেন্নৈ হায়রিবা কম্পনি অদুগী মেনেজর পুলিসনা ফাদূনা ৱাহং-পাউহংগী থবক চথুরি। অথুবা মতমদা ইমপ্লোয়ি নুপী অদুনা চার্জ তৌরক্লিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা খঙবা ঙম্লগনি। মরক অসিদা কম্পনি অদুদা থবক তৌরিবা ষ্টাফশিং সস্পেন্দ তৌখিবা অদুগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি হায়না অলিবাবানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা কম্পনি অদুদা থবক তৌরিবা খুদিংমক অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগনি। করিগুম্বা মেনেজর অদু মরাল লৈরম্লবদি কম্পনিনসু মহাক্কী মথক্তা কেস রেজিষ্টর তৌগনি হায়রি।

# ‘ক্লাইমেট চেঞ্জগী ৱাফম তরাইনা লৌরোইদবনি’

লন্দন, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :
ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিশিংদা ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীরক্লিবা চৈথেং অমদি মসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা রিসার্চরশিংনা ৱাফম কয়া পুথোক্নরক্লিবা অসি ৱর্ল্ড পাৱরশিংনা তরাইনা লৌফম থোক্তে অমদি হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবগী মতম ওইরে হায়না বৃটেনগী সী ও পি ২৬কী প্রসিদেন্ট অলোক শর্ম্মনা ফোঙদোকখ্রে।



শর্ম্মনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদা গ্লাসভোদা পাঙথোক্কদবা ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈনবা সম্মিট অদু কোভিদ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা পাঙথোকখিদ্রে। সম্মিট অদু পাঙথোকখিদ্রবসু ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীরক্লিবা চৈথেং অসি লেপ্পা লৈত্রি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা অইং-অশাগী খল কায়থরকপনা মরম ওইরগা মান্নদবা চৈথেং কয়া পীরি। লৈবাক খরদনা কা হেন্না শাবদগী উমংশিং পাক্তক্লনা মৈ চাকপগী থৌদোক থোকহল্লি। অদুগা লৈবাক খরদনা অকনবা নোং চুদুনা ঈশিং ঈচাউ নৎত্রগনা নোং তারক্তবদগী ঈকং থোকহল্লি। ৱাফম অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়রি।

# ইজরেলনা চথুরকপা এয়র ষ্ট্রাইক খুদিংমক্কী চপ চাবা পাউখুম হেজবোলা গ্রুপনা পীগনি : হসন নসরালাহ

বৈরুট, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :
য়ূমথংনরিবা ইজরেল অমসুং লেবানন লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকখিবগা লোয়নননা অমনা অমগী মথক্তা রোকেট অমদি আর্টিলারি শেলশিং কাপশিন্নদুনা এটেক চথনরি। ইজরেলি ফোর্সশিংনা মখা তানা লেবাননগী ঙমখৈ শরুকশিংদা এয়র ষ্ট্রাইক চথুরল্লবদি মদুগা চপ মান্নবা পাউখুম পীগনি হায়না হেজবোলা গ্রুপকী লুচিংবা হসন নসরালাহনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা গ্রুপ অসিনা ইজরেলগী মথক্তা মতম অমদা হেক্তা লান্দাবা ঙমই হায়রি।



হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা ইজরেলনা লেবাননগী ঙমখৈ শরুক্তা এয়র ষ্ট্রাইক চথুখ্রবা মতুং হেজবোলা গ্রুপনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। হেজবোলা গ্রুপনা ইজরেল তম্না রোকেট কয়া কাপশিল্লকখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা ইজরেলনা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথুখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু হেজ বোলা গ্রুপনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়নননা লেবাননগী মায়কৈদগী ইজরেল তম্না রোকেট কাপশিনখিবা লৈতে হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৬তা লেবানন অমদি ইজরেলগী মরক্তা অকনবা লান তৌনখ্রবা মতুং চহী ১৫ রোম অসি লেবাননদা ইং-তপ্না লৈনবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুমওইনমক, ইজরেলি ফোর্সশিংনা লেবাননদা থেঙ্খাং কয়ারক শীংনদুনা লাক্লি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা ইজরেলনা লেবাননদা এয়র ষ্ট্রাইক চথুরকখিবা অদু য়াম্নমক লাইবক থীবনি। হেজ বোলা গ্রুপনা মখা তানা লৈবাক অনীগী মরক্তা অমুক হন্না লান থোকহনবা পামদে। অদুমওইনমক, ইজরেলগী মায়কৈদগী মখা তানা এয়র ষ্ট্রাইক চথুরল্লবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি। হেজ বোলা গ্রুপনা লেবাননগী ঙমখৈগী শরুক্তা শীংনরকপা অমদি লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটিনা অমাঙ-অতা থোকহল্লকপা য়াবা খুদিংমক থেংনননবা শেম-শাদুনা লৈ হায়না হসননা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেট্‌সনা ঙরাং লেবানন গভর্ণমেন্টতা হেজবোলা গ্রুপনা ইজরেল তম্না রোকেটশিং কাপশিনবগী থবকশিং চথুরিবা অদু থিংনবা খঙহনখ্রে। গ্রুপ অসিনা মখা তানা অহেনবা থৌওংশিং চথুরল্লবদি অমুক হন্না লৈবাক অনীগী মরক্তা লান থোক্লকপা য়াই হায়রি।

# লৈবাক পূম্বদা রেপিদ টেষ্ট ষ্টেসন হাংদোকখ্রে

জেরুসালম, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :
ইজরেলদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়ন্ট দেল্টানা চৈথেং পীবা হৌরকখ্রবা মতুং লায়না লাইচৎ অসিবু কন্ট্রোল তৌবদা মতেং ওইনবগীদমক লৈবাক পূম্বদা কোভিদ রেপিদ টেষ্ট ষ্টেসনশিং হাংদোকখ্রে হায়না ইমজেন্সি সর্ভিসকী মকোক থোংবা মগেন দেবিদ এদোমনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না ঙসি অহানবগী ওইনা রেপিদ দিটেক্সন ষ্টেসন ১২০ হাংদোকখ্রে। টেষ্টিং সেন্টরশিং অসিনা মরু ওইনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওইশিং, হেল্থ মথৌ তাবা মীওইশিং অমদি কোভিদ-১৯না নাক্লবা মতুং রিকোভর তৌরগা লৈরিবা মীওইশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লি। হায়রিবা টেষ্টিং সেন্টরশিং অসিদা সেম্পল অমা টেষ্ট তৌবা মতমদা শুপ্নগী মিনিট ১৫খক্তমক চঙগনি হায়রি।

# ফুল দোজ কাপ্লবশিংগীদি কোমথোক্লগনি

কোলালম্পুর, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):
মলেসিয়াদা মতম শাংনা কোভিদ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা য়ূমদগী মপান থোকপদা অথিংবা কয়া থমজিল্লুরবা মতুং কোভিদ ভেক্সিন ফুল দোজ কাপ্লবশিংগী ওইনদি চথোক চৎশিন তৌবদা হান্না থল্লম্বা অথিংবশিং কোমথোক্লগনি হায়না লৈবাক অদুগী প্রেমিয়রনা ফোঙদোরক্লি। হায়রিবা অসি লৈবাক অদুগী ষ্টেট ৮দা চৎনগদবনি। লেমহৌরিবা ষ্টেটশিংগী ওইনদি কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী রেট য়েংলগা অমুক হন্না লৈঙাক্না অথিংবশিং কোমথোক্নবা হোৎনগনি হায়রি।

**HHG Academy**
ঙ্গঁস ঙ্গঁস ঢঁ ঙ্গণ্ডনাটসাঁ
Sangaiprou , Ghari Mamang Leikai (Affiliation to COHSEM)
Limited Seat
**ADMISSION OPEN CLASS XI Science 2021-22**
LAST DATE: 12 August 21
Achievement: Striking 100% pass, many letter mark holders in the year 2018, 19, 20 and 2021.
FACILITIES:
i) No monthly tuition fee & Lowest course fee in the state.
ii) Reservation for children of single parent and marginalized family.
iii) Free school uniform + free school bag + free text book + free exercise book.
iv) Separate Hostel for Boys and Girls.
For offline admission : School office with SOP For online admission : www.hhgacademy.com
Contact number: 9862445909 (Sir Nelson) / 9774571821 (Sir Jotin) / 9774269528 (Sir Ratan) / 6009861409 (Sir N I)
HL-B/7062/7,8,9,10